ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, এপ্রিল ০৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০১৩শুবা মশীং

# অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট

## কেস খ্বাইদগী লৌখৎপা ষ্টেট মণিপুরনা ওইরি

কুমজা ২০১৫দগী হৌরগা চহী মঙাগী মনুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট (য়ু এ পি এ)গী মখাদা পুন্না কেস ৫,১২৮ লৌখৎখ্রে। পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা রাজ্য সভাগী এম পি অব্দুল ৱাহবনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম জি কিশন রেদিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সী আর বি)না কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা খোমজিনবা দেটাদা য়ুন্সফম ওইরগা মিনিষ্টরনা হায়খি, কুমজা ২০১৫দা য়ু পি এগী কেস ৮৯৭, কুমজা ২০১৬তা কেস ৯২২, কুমজা ২০১৭তা কেস ৯০১, কুমজা ২০১৮দা কেস ১,১৮২ অমসুং কুমজা ২০১৯দনা কেস ১,১২৬ লৌখৎখি। মণিপুরদা হায়রিবা চহী মঙাগী মতম অসিগী মনুংদা লৌখৎখিবা য়ু এ পি এগী কেস মশীং ১,৭৮৬ নি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, মণিপুরগী ওইনা কুমজা ২০১৫দা য়ু এ পি এগী কেস ৫২২, কুমজা ২০১৬তা কেস ৩২৭, কুমজা ২০১৭তা কেস ৩৩০, কুমজা ২০১৮দা কেস ২৮৯ অমসুং কুমজা ২০১৯দনা কেস ৩০৬ লৌখৎখি। এন সী আর বিগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা চহী মঙাগী মনুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা য়ু এ পি এগী মখাদা মী ফাবগী চাং ৱাংখৎলকখি। কুমজা ২০১৫দা মীওই ১,১২৮; কুমজা ২০১৬তা মীওই ৯৯৯; কুমজা ২০১৭তা মীওই ১,৫৫৪; কুমজা ২০১৮দা মীওই ১,৪২১ অমসুং কুমজা ২০১৯দা মীওই ১,২২৬ এক্ট অসিগী মখাদা ফাখি। অদুবু হায়রিবা চহী মঙাগী মতম অসিগী মনুংদা এক্ট অসিগী মখাদা ফাখিবা মীওইশিং মরাল লৈরে হায়না কনভিক্সন পীখিবগী চাংদি শুপ্নগী চাদা ২.২ খক্তনি। লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম অমসুং সোভরেন্টিদা শীংনরকপা পুন্নমক মায়োক্লনবগী পান্দমদা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট চৎনহনখিবনি। নেসনল ইন্টিগ্রেসন কাউন্সীল (এন আই সী)না খনবা কম্মিটি ওন নেসনল ইন্টিগ্রেসন এন্দ রিজনেলিজমগী রেকমেন্দেসন মতুংইন্না চৎনহনখিবা এক্ট অসিনা য়াচল লাকপগী মওংদা ফ্রীদম ওফ স্পিচ এন্দ এক্সপ্রেসন; রাইট টু এসেম্বল পীসফুলি এন্দ ৱিদাওট আর্মস অমদি রাইট টু ফোর্ম এসোসিয়েসন এন্দ য়ুনিয়ন অসিনচিংবা ফন্দামেন্টেল রাইটশিংদা অককপবা চাংদা অথিংবা পীদুনা লাকখি।

প্রিভেন্সন ওফ টেররিজম এক্ট (পোটা) লৌথোকখ্রবা মতুংদা য়ু এ পি এ চৎনহল্লকখিবনি। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ) লৈঙাক্লা এক্ট অসি লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম অমসুং সোভরেন্টিদা শীংনরকপগী থৌওং লাকশিন্নবা হোৎনবনি হায়না ক্লেম তৌরি। নাকল অমরোমদা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনদি এক্ট অসিগী প্রোভিজনশিং ইন্টরনেসনল কোভনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটসকী মায়োক্তা লৈ হায়না মরাল শীরক্লি। পোটাগী প্রোভিজন অয়াম্বা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্টতা নৌনা অমুক হাপচিল্লক্লে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। এক্ট অসিগী মখাদা অখিল গোগোই, শর্জিল ইমাম, উমর খলিদ, ইশরট জহান, ষ্টেন স্বামি, অরুন ফেরেরা, বিনায়ক সেন, গৌর চক্রবতি, তিরুমুরুগানা গান্ধী, জি এন সাইবাবা অমদি সোমো সেনননচিংবা মীওই কয়া ফাজিনখিবগী মায়োক্তা ওপোজিসন পার্টিশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খোল্লাউ কয়া লাউরকখি। মণিপুরদসু এক্ট অসিগী মখাদা মীওই কয়া ফাবা লৈখ্রে। মরাল লৈবা নৎত্রগা লৈতবা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম অমদি সোভরেন্টিদা অকায়বা পীরক্কদৌরে হায়না চিংনবা মীওই অমবু ফাজিনবা য়াবগী প্রোভিজনশিং এক্ট অসিদা য়াওরি। হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা খ্বাইদগী য়ানিংদ্রিবসু থৌওং অসিমক্লি। মমাঙ চহীগী নবেম্বর ২৩দা সিনিয়র এদভোকেট মিহির দেসাইনা "দি প্রোব্লেম ওফ প্রিভেন্টিভ দিটেন্সন ইন ইন্দিয়া" হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙখিবদা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্টনচিংবা প্রিভেন্টিভ দিটেন্সন লো অমসুং স্পেসল লেজিসলেসনশিং ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈ হায়না ফোঙদোকখি। তৌবগীবুদি মীওই কয়া এক্ট অসিগী মখাদা ফাজিন্দুনা থম্লুরগা অকোনবদা কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না থাদোরকপদগী অসিগুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরকপনি হায়না লৌবা য়াই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু কনষ্টিট্যুসননা পীবা ফন্দামেন্টেল রাইটশিংদা চাউনা শীংনরিবা অসিগুম্বা মখলগী এক্টশিং মখা তানা চৎনহনবা মথৌ তারিব্রা হায়বদু লো শেম্বদা য়াওরিবশিংনা খন্থবা মতম ওইরে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫

১) "চীংয়া তময়া" (অহানবা ফোঙবা, ১৯৫৫) হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) "মেঘনাদবদ-কাব্য (সম্পূর্ণ)" হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?

৩) "খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী অনীশুবা শরুক" হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) নিংথৌ "থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক" অদু করি লাইরিকনো?

৫) "ঐদি আত্মাগী কন্সেপ্টতা থাজবা ঙমদ্রি; ঈশ্বরবু থাজবা ঙমদ্রি। ঐগী মাঙদা থোঙ অহুম লৈরে - আত্মা, ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতি। থোঙ অনীদি হৌজিকসু লোল্লি অমদি হাংলে - অদুবু থোঙজিন কানশিল্লগা মনুং য়ৌশিনবদি ঙমদ্রি হাংলিবা থোঙ অসিসু।" কবি কনাগী ৱাহৈনো অমসুং কদাইদা য়াওখিবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৩

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মতম অমা ঐখোয়না মণিপুরগী মফম কয়াদা লীলা শান্নবা চৎপা হৌরকপদা য়াম্না নুংঙাইবা থৌদোক কয়া থোকখি। ঐখোয়বু নুংশিবীবদগী লীলাসিদা মীনা পংকৌদা কৌবা, কনাগী শ্বষ্টি পুজা, নাহুৎ-নারেংবা, লুহোংবা, মতম-মতমগী হরাও কুম্মৈ থোরকপা, ইশম শম্না শ্বাষ্টি পুজা, দুর্গা পুজা, কাং, নিংঙোল পাল্লি, য়াওশঙ, চৈরাওবা, মসিদগী হেন্দোক্তুনা মতম খরা ফবা হায়বদা লৌউ-শিংউ উনবসু লোইশিল্লকপা, অদুদগী অমুক লৌ-শীং লোকশিনবা লোইনরকপা মতম অসিদদি লৈকায় খুদিংদা লৈরিবা ক্লব, এসোসিএসনশিং অসিনা মখোয় মখোয়গী ক্লবকী ফন্দ তানশিন্নবা ঐখোয়গী লীলাগী চেরিটি শোসি অঙকপা ফংনা তৌনৈ। অদুনা লীলা চৎপগী চাং অসি ঐখোয়দদি শুংলেপ লেপখিদে হায়বা তাই। কনাগুম্বনা নোংচীংগী মতমসি লীলা চৎপা খরা লেপ্পী হায়বদু ঐখোয়না ইনখৎলকপা মতমদদি লেপখিদে। নোং তারবসু মান্দোপতা লীলাসি লেপ্তুনা অদুম তৌই। শ্বষ্টি পুজাবু নোং চুরিঙৈদা অঙাং পোক্কনু য়াবা নত্তে। শ্বাষ্টিবু শোল্লবা লীলা অমদি শোয়দনা অদুম মতৌনরে। মী খুদিংমক্কী নৎত্রবসু, চাম্মদা ৫০দি অদুম তৌই হায়না খল্লি। অদুনা লীলাদু লৈকায়গী মান্দোপ অমদা অদুম পংতৌদা তৌনৈ। নিংঙোল মচা পাল্লি হায়বসি কুম অমদা নোংমতনি থোক্লিবা। অদুবু মদু ঐখোয়গী লীলাদি নিংঙোল মচা পাল্লিগীদমক থা অমরোমদি লেপ্তুনা অদুম তৌই হায়বা তাই। ঐখোয়গী অশংবা মতম য়েংলগা অদুম চোন্থনরগা তৌবনিনা থা অমরোমদি পরেং লেংদুনা অদুম লৈ। হায়রিবসি নোং কন্না চুবা মতমনি, অদুম লীলা তৌই সিনি ঐনা থমজনীংলিবসি। শ্বাষ্টি পুজা হায়বসিসু নোংমতগীনি। স্কুল/কোলেজশিং অসিনদি মহৈরোয়শিংদগী শেল খাইগৎলুরে, লুপা অমা খায়বা অনী খায়বা খায়নরে। অদুগা শেলদুনা লীলা কৌগদৌরিবনি। অদুনা নুমিৎতুদদি চেবাউ অহানবনা লীলা কৌরে। মদুসু অয়ূক পুং ৮দগী লীলা হৌরিবনি। অদুনা মথং মথং শুম-শুম চৎখিবসিনা হোরেন নুংদাং ৱাইরম ফাওবা লীলাসি লেপ্তুনা তৌরিবনি। ঐখোয় চাক্কা চানবগী মতমগকা ফংবা নত্তে। অদুবু ঐখোয় থোইনা ৱাদে। স্কুলদা পুজাগী খেচ্রিগুম্বা তৌরম্বা য়াওই। মদু খরা চারগা অদুম পংনুংদা নুংঙাইবগী টাইপতা লীলা শানৈ। মতমদুদদি ঐখোয় লীলাগী মমলসু য়ামদে। লুপা ২৫০/৩০০গকা লৌরে। খরা থেংথরগবুদি লুপা ৫০০গা লৌখি। অদুৱাইদা লীলাসি অঙকপা ফংনা শান্নবনি। ময়াম্নদি থাজবীরোই, য়াওশঙগী চাক চানবগী লীলাসি অয়ূক পুং ৯দা হৌবা য়াওখ্রে। মরমদি পুং ১১দগী ঐখোয়গী মশাগী প্রোগ্রাম মথং-মথং লৈজবদুনা মরম ওইরগা অশংবা মতম য়েংলকপদা অয়ূক পুং ৯দা তৌবা য়ানি হায়বদগী লীলা হৌরিবনি। মতমদু চাক চানবগী চাক থোংবশিংনা কন্না থোংলিবা মতমনি। নুংঙাইরিবদি চাক থোংলিবশিংদুনা চেন্থোক চেন্থোরক্লগা লীলাদু খুনিং কাংখৎ-কাংখৎতুনা য়েংনখিবদুনি। মতমদুদা ভিদিও নম্বগী খুদোংচাবগা লৈরম্লবদি ময়াম হৌজিকসু অঙকপা অমা ওইনগনি। চাকশঙদা লৈহৌবা চাক থোংবা অমনা কৌরকপদগী অমুক চেনশিল্লগা খাবৈ পায়রগা ওৎলুরিবনি। য়াম্না পাম্নবা হায়বা তারে। মদু ঐখোয়গী লীলাগীনি হায়বগী নত্তে, লীলা খুদিংমক্কী ৱানি। ঐখোয়গীসু মীগীসু অদুম মতমদুগী ভাবোকশিংনা পাম্নরিঙৈ মতমনি। অদুগী হায়জবনি। হৌজিক্তি লীলাসি পাক তৌখিদ্রে। য়াম্না তাঙনা তাঙনা তৌনরে। মমলসু য়াম্না য়ামখ্রে, ইরায় লায়না মীওই অমনা লীলা কৌবা ঙম্বগী থাক ৱাংমা লান্না লৈখ্রে। অদুগীসু মথক্তা লীলা য়েংনীংবগী চাং অসিসু খরা ৱাৎনরক্লবরা খল্লি। মসিগী মরমসি লীলা তৌরিবশিংনা থিদোক্তুনা কূপ্না খন্নবা মতম য়ৌরবনি। হৌজিক লীলা চৎনরিবসিদি পার্টি অনী অহুমদগী হেনদে। লৈহৌরিবা অতে কাঙবুশিংদি চহী অমগী মনুংদা লীলা ১০/২০ ফানা চৎপদি লায়রদনা শুংচৎ চত্তবনা অয়াম্বা ওইশিল্লকই। অদুনদি করম্না শুমাং লীলাসি চাওখৎপা হেল্লে হায়গদৌরিবনো? লীলা কৌনদ্রবা মীনা য়েংনদ্রগবু শুমাং লীলা চাওখৎলি, মীয়াম্না পাম্বা হেল্লি হায়না মীওই খরনা পংহায়দা হায়বসি তাবদা য়াম্না ৱাবগসু য়াওরক্তবা নত্তে। লীলা চৎলিবদি পার্টি অনী অহুমদনি। মখোয়গী য়েংলগা লীলা তৌবগী ফীভমদা লাক্লগদি মদু অরানবা মীৎয়েং ওইগনি খল্লি।

মতমদুদা ঐখোয়না লীলা তৌরিঙৈ মতমদদি ঐখোয়গী লীলা কৌবা লাকপদা অথেংবদা শান্নগদবা ওইরবদি ঐখোয়বু ঙাইবা ওইনা অতোপ্পা লীলা কাঙবু হায়বদি মীনা কয়াদি কৌদবা লীলাদি অদুম য়েংবা য়াবা অমা কৌহল্লি। নখোয়না শেল খরা পুথোক-ও, ঐখোয়নসু খরা হাপ্পীরগে হায়না হায়রগা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা অতোপ্পগী লীলাসু কৌদুনা শান্নহল্লকই। মখোয়গী লীলাগী রিসিপ্ট ফাওবা ঐখোয়গী পার্টিগী ওফিসতা থম্মগা ককপীরম্মীবনি। মদুতা নত্তনা ইপোম হায়দুনা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরিবা, লৈখিদ্রবা ওজা বাবু, চাওবা, তোম্বী, অচৌবী মখোয়গী ইপোমসি ঐখোয়না চেবাউ লৌরগা শান্নহল্লকই। মসি মতমদুগী লীলা কৌবিখিবা কাঙবুনসু হৌজিকসু অদুম নীংশিংবীরমখিগনি। মসি ঐনা হেক্তা হায়জিনবা নত্তে। মরমদি ঐখোয়গী পার্টিনা খন্নখিবসি, মণিপুরদা ফাগিগী ফজরবা মশক অমা অসুম অসুম মাঙশিল্লকপা অসিদা ফাগিগী কলচরবু কন্নবগী ৱাখল্লোন্দা মদুগী থৌরাং অদু ঐনা য়াম্না কন্না পায়খৎখিবনি। হৌজিক্তি মদুগুম্বগী থৌরাং অসি কয়া লৈনদ্রে। ইপোমসু লৈখিদ্রে। হৌজিক ফাগিগী লূপ ওইনা লৈরিবসি নোকফদে হায়বা অসি মঙাইরে। মসিসু হিংহন্নবগীদমক হৌজিক লীলাগী মমাঙদা নোকফদেগী থৌরম তৌহনবা য়াই। মদু লীলা পার্টিনা শিনগদবনি। মখোয়বু য়োকখৎকদবনি। মখোয়দগী থোরকপা অফবা আর্টিষ্টশিং হৌজিক শুমাং লীলাদা য়াওবা য়াওরি। অসুম্না মতেং পাংনরগা অমনা অমবু শৌগৎনবা, শেমগৎনবা য়াই খল্লি। মসিসু মতমনা পুরকপা ওইসনু।

ঐনা লাকনীংলিবা ৱারীদি, কোয়থোক্লগা লৈরে। নোংমা ঐখোয়গী নুপী খোঞ্জেলদা ঈশৈ শকপা নবসি মশা খুদক্তা ঙম্লক্তবদগী লীলা চৎপা ঙমখিদে। মদুদা মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা অতোপ্পা মী কনা অমত্তসু লৈতে। মরমদি চৎলমদাইদুদা কনাবু থিরুরগা ঈশৈ তম্বীরগা শকহনগনি। মদু ওইথোকপা য়াবা নত্তে। অদুনা ঐখোয়সি লীলা হায়দোকপসু য়াদবা, চৎতবসু য়াদবা য়াম্না লুবা তাঞ্জা অমা লাকখি। অদুনা হোরেন লীলা মফম য়ৌরগা ফজনা ময়ামদা হায়নরসি হায়দুনা মানা শকপা রেকোর্দ তৌশিনবা টেপ অমা পুরে। অদুগা চৎলে। লীলা কৌরিবশিংদুদা ফজনা হায়নবদদি য়ারে। করিদি তৌনি, পাম্বে লৈতববো হায়দনা। লীলাদু *'কংখ্রবা ঈচেলগী তোর্বান'* হায়বদুনি, ঈশৈসু য়াম্না মমিং চৎপা ফজবা ঙাক্তনি - "ফোঙদোক্তবা নুংশিবা, কয়াম কুইনা থমখিনি, ওমচাক্লনা থম্মোয়নুংদা নুংশি মৈশা লাংখিনি" হায়বসি ময়াম্না য়াম্না পাম্নবা ঈশৈনি। অদুগা লীলাদু শান্নরকপা মতমদদি নুপীগী ঈশৈ শক্লকপা মতমদদি নবা য়াওদনা টেপতা ওইনা থারদকপদুদদি ভাবোক ময়ামসিনা চরাংনরক্তনা লীলা কায়গে তৌবা ফাওবা য়াওনা শাওনরকখি। ঐখোয়না ফনা ফজনা হায়রসু য়াবিখিদে। নবনা মশমগদু ইখোই খোইরগা মঙক ইন-ইন্দুনা শকপদু য়েংগে লাকপনি হায়বা ময়াম অমা থোরকপনি। অদুবু অরোইবদদি পাম্বে লৈতবনিনা য়ানরে। নৎত্রগনা ঈশৈদু শমজিনজরগে হায়বদা অদুদি য়ারোই হায়বদগী টেপতা ঈশৈদু থারগা এক্ট তৌখিবগী থৌদোক লৈখিবদু খঙনীং নীংশিংলকপনি। মসিদা হায়নীংলিবসি, মতমদুদা ঐখোয়গী আর্টিষ্ট অমগী মমল অমদি মীয়ামগী অপাম্বা অসি অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈখি। অদুনা আর্টিষ্ট অমা হেক য়াওদবদা লীলা ফরক হেক্তা তাই। অদুগুম্বা মমল লৈবা আর্টিষ্টশিং হৌজিক শেমগৎপা মথৌ তাই। মদুগীদমক লীলা তৌরিবশিংনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা, মখোয় মখোয়গী পর্ফোর্মেন্সশিং অদু মেচ্যুওর ওইহনবা অমদি পোপ্যুলর ওইহনবা অমা চঙলি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৫৬

**উসম ধনঞ্জয়**

**দিসেম্বর ১৭, ২০০৯ :** ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসন ১৯ পুন্দুনা শেম্বা সী দি আর ও (কনফিদরেসন ওফ দেমোক্রেটিক রাইটস ওর্গনাইজেসন) গী ফেক ফাইন্দিং টিম অমনা জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক অমসুং দিসেম্বর ৪দা উখুলদা এ আরনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্কী মতাংদা য়েংশিল্লুরে হায়না সী দি আর ওগী মীহুৎ করনথি চাইটনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

উনবা অদুদা অন্ধ্র প্রদেশ সিভিল লিবরটিজ কম্মিটি, পিপলস য়ুনিয়ন ফোর দেমোক্রেটিক রাইটস, ওর্গনাইজেসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ দেমোক্রেটিক রাইটস, এসোসিএসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ দেমোক্রেটিক রাইটস, নাগা পিপলস মুভমেন্ট ফোর হ্যুমেন রাইটস অমসুং কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটসকী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

করনথি চাইটনা হায়, সী দি আর ওগী মীহুৎ ১৫না শাবা ফেক ফাইন্দিং টিমনা গ্রুপ অহুম থোক্লা খাইদোক্তুনা অসাম, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা চত্তুনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা থোক্লিবা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেন্সকী মতাংদা য়েংশিনখি। টিম অসিনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী থৌদোক, উখুলগী থৌদোক অমসুং ষ্টেট অসিগী মপূং ওইনা দেমোক্রেসিগী ফীভম য়েংশিনবা লোইরে হায়বসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্কী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্লা হায়, গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অসি সী দি আর ওনা য়ানীংদে। ঈহৌ হৌরিবশিংনা তাল্লিবা দাবী অমা ফাওবা গভর্ণমেন্টনা পীদ্রি। মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ইনক্কারি ষ্টে তৌরগা ৱান মেন ইনক্কারি কম্মিসননা থিজিল্লিবা অসি মরম চাদে হায়বসু ফোঙদোক্লদুনা চথুরিবা ইনক্কারি অসি মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা চথবা থবকনি হায়না করনথি চাইটনা লৈঙাক্তা মরাল শীখি।

সী দি আর ওনা অচুম্বা পুথোকপা পাম্মী, মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ইনক্কারি মখা চথহনগদবনি অমসুং ঈহৌ অসিদা এন এস এ য়াওনা ফাজিল্লিবশিং খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়বসি লূপ অসিগী দাবীনি। তঙাইফদ্রবদি সুপ্রিম কোর্ট অমদি নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা ৱাকৎকনি হায়নসু মহাক্লা হায়খি।

অমরোমদা, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কসোম খুল্লেন সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা খোইরুপোক খুন্দা লৈবা অসাম রাইফলস অমসুং কেম্পতগী নোংমৈ কাপথোরক্তুনা মীচম মীয়াম শোকহনখিবা থৌদোক অদু টিম অসিনা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে। য়েংশিল্লুবা অদুদা খুঞ্জাশিংনা এ আরগী কেম্প খুদক্তা মফম অদুদগী হোংদোকখিনবা অমদি কেম্প কম্মান্দিং ওফিসরগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিল্লকখি হায়নসু চাইটনা পাউদমখি।

এ আর লৈবনা মফমদুদা খুঞ্জাশিংগী মনিং তমদ্রে, ৱাটর রিছোর্স অমদি ফায়র ৱুদশিং এক্সপ্লোইদ তৌরে। থৌদোক্তুনা মরম ওইরগা অঙাংশিংগী ৱাখলদা চৈফু পীরে হায়বনচিংবা কয়াসু টিম অদুদা ৱাকৎলকখি হায়রি।

গভর্ণমেন্টনা ভিক্টিম ওইরবশিংদা মেদিকেলগী ওইবা তেংবাঙ অমসুং কম্পেন্সেসন পীফম থোকই হায়না চাইটনা মোত পীখি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লমদমসিদা রুল ওফ লো অমসুং দেমোক্রেটিক রাইট ইকায়খুম্নদ্রে হায়না মরাল শীরদুনা মসিগুম্বা থৌওং অসি থিংননবা মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্ননবসু মহাক্লা আপিল তৌখি।

**দিসেম্বর ১৭, ২০০৯ :** য়াইস্কুল এ সীগী মরক্কী মীখল অসিগী ভোট খোম্বগী থবক ঙসি নুংথিল পুং ৩ চপ চানা লোইশিনখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৯দা ভোট থাদননবগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে। মীখল অসি মমাঙদা তৌখিবা এ সী অসিগী মীখলশিংদগী খরা হেনজিনবা মতৌদা চাকচা-হৈজানবগী চাং ৱাংখি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না য়াইস্কুল এ সীগী মরক্কী মীখল অসিদা পূন্না সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স কম্পেনি ৮ শীজিন্নগদৌরি। লোয়ননা হয়েং অয়ূক পুং ১০দগী পোল্লিং পর্সনেলশিং অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং দ্যুটি তৌনবা মাগী মাগী ষ্টেসনশিংগীদমক খোঙশাল্লগনি হায়রি।

পোল্লিং ষ্টেসন অমমমদা পোল্লিং ওফিসর ৫, সেন্সিটিব পোল্লিংদা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স সেক্সন অমা লোয়ননা হায়পর সেন্সিটিবশিংদা পেরা মিলিটরি ফোর্স সেক্সন অমগা তঙ্খাই শীজিন্নগনি। মসিগী মথক্তা হোম গার্দ অনী অমসুং নুপী পুলিস অনী/অনীসু মথৌ তৌহনগনি হায়রি।

অমরোমদা, সব দিভিজনেল লেভেলগী এনফোর্সমেন্ট কম্মিটি অমা শেমখ্রে। এস দি ও/আর ও/ পোরোম্পাৎনা চ্যেরমেন, মরী লৈনবা সর্কলগী এস দি সী অমসুং মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনা মেম্বরশিং ওইবা এনফোর্সমেন্ট কম্মিটি অসিনা মখোয়গী জুরিসদিক্সনশিংগী মখাদা লাকপা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়বগী ৱাকৎশিং য়েংশিনগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরসু ওইরিবা দি সী ইম্ফাল ইষ্ট এম লক্ষ্মীকুমারনা ঙসি থোকপা হুকুম অমনা খঙহল্লি।

**দিসেম্বর ১৭, ২০০৯ :** মোরেদা লৈবা ৩১শুবা অসাম রাইফলসনা ঙসি ফুটবোল শান্নরোয় অমা ফারগা পুখিবদগী মোরেদা ঈরাং থোকখ্রে অদুবু ঈরাং অদু পুলিসনা য়াম্না থুনা লাকশিনখ্রে হায়রি। হেদক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ) কী মখাদা লৈবা ২৬শুবা সেক্টরগী ৩১শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা ইষ্টর্ন সাইন ফুটবোল গ্রাউন্দদগী শান্নরোয় অমা ফাখি। মমিংনা শৌগ্রাকপম ইঙো মীতৈ (১৪) অপোকপগী মীং ইবুংঙো মীতৈ কৌই। মোরে ৱার্দ নম্বর ৭তগীনি। এলেভেন য়ঙ বোইজগী শান্নরোয়নি। আর এ সীগা শান্নরিঙৈদা গ্রাউন্দ মনুংদগী ফাখিবনি হায়রি।

অসাম রাইফলসনা ইঙো মীতৈ ফাখিবদু মেটচ লোইগদবা শুপ্নগী মিনট ৬ লোমতা ঙাইরবা মতমদনি। ইঙো মীতৈবু ফারগা ভেন অমদা হাপচিন্দুনা পুখিবদগী মৈরা পায়বীশিংনা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট খিংবগা লোয়ননা মোরে পুলিস ষ্টেসন তম্না তান্নখি। অদুবু অসাম রাইফলসনা ইঙোবু মখোয়গী কেম্পতা পুশিনখি। মৈরা পায়বীশিংনা মোরে পুলিস ষ্টেসন্দা নূংনা থাজিনখি। পুলিসনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া ব্লেঙ্ক ফায়র তৌবগা লোয়ননা মৈরা পায়বীশিংগী ঈরাং অদু লাকশিনখি হায়রি।

মৈরা পায়বীশিংনা মোরে পুলিস ষ্টেসন মমাঙদা থোমজিন্দুনা লৈরিঙৈ মরক্তা মোরে ৱার্দ নম্বর ৯ লোমদগী লাকপা ৩১শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা নহা অনী অমসু ফারগা পুখি। মখোয় অদুদি থাংজম রোবার্ট (১৮), অপোকপগী মীং ইবোয়াইমা মোরে ৱার্দ নম্বর ৬ অমসুং থাংজম সুনিল (১৭) অপোকপগী মীং লৈখিদ্রবা থোইবা মোরে ৱার্দ নম্বর ৭নি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ লৌবা চৎলুবা করেস্পোন্দেন্ট অমা এদ্দিসনেল এস পি, মোরেনা নাতৈ চাদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা তান্থোরকখি হায়রি। এদ্দিসনেল এস পিগী থৌওং অদু মোরে ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন্না হকচিন্না লৌই হায়না য়ুনিয়ন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অথেংবদা ফংবা পাউদা, অসাম রাইফলসনা ফাখিবা মীওই অহুম অদু থাদোরকখ্রে হায়রি। মোরেদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতিশিংগী লুচিংবশিংনা ৩১শুবা অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা ৱারী শানরবা মতুংদা থাদোরকখিবনি হায়রি।

**দিসেম্বর ১৭, ২০০৯ :** হৌখিবা তাং ১৫দা ইম্ফাল-পাঙ্গৈ লম্বীগী হাওটলদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা নন লোকল অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মতুংদা ঙরাং নুমিদাংসু শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চীংমৈরোং কবুই খুনদা ভারাদা লৈবা নন লোকল অনী তূম্লিঙৈদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে। ঙরাংগীসি থারগা চৎলিবা চহী অসিদা শকখঙদবশিংনা কাপ্তুনা হাৎখিবা নন লোকল মশীং ২৭ শুরে।

ঙরাংগী থৌদোক অদু নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি গজিন্দ্র রাম (৫০) অপোকপগী মীং প্রমেশ্বর রাম, দরৱা ভিলেজ মোটিহারি দিষ্ট্রিক্ট (বিহার) অমসুং সুভাশ যাদব অপোকপগী মীং রুদ্দন যাদব (৩৫) চীংদোং লৈকায় কছাড় দিষ্ট্রিক্ট (অসাম) নি। চীংমৈরোং কবুই খুনদা লৈবা সনাথোই কৌবা অমগী য়ূমদা ভারাদা লৈবনি।

সুভাশ যাদব হৌখিবা চহী ৪/৫গী মমাঙদগী মণিপুরদা লাক্তুনা বরব শুংবগী থবক তৌদুনা লৈরকপনি। গজিন্দ্র রামদি মণিপুরদা লাকপা কুইদ্রি। চয়োল অমরোমদা ঙাইরি। মহাকসু বরব শুংবগী থবক তৌবনি হায়রি।

শকখঙদবশিং অদুনা মখোয় অনীনা লৈরিবা ভারাগী কা অদুগী ফক্লোংনা খাবা ফক্লাংগী মমাঙ থংবা শরুক্তা হোত্তোক্লগা কা অদুদা তূমদুনা লৈরিবা মখোয় অনীবু কোক্তা নোংমৈ মরূ অমমম কাপশিন্দুনা হাৎলম্বনি। থৌদোক থোকফমদগী পুলিসনা নাইন এম এমগী কাপথোকখ্রবা টোক্লিং অনী ফংই। থৌদোক অসিগী মতাংদা নম্বোল পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎখ্রে। মখা তাবা থবক চথুরি হায়রি।

ফেব্রুৱারী থাদা অমা, মার্চ থাদা মরি, মে থাদা তরেৎ, জুন থাদা ৮, জুলাই থাদা অমা, ওক্টোবর থাদা অমা, নবেম্বর থাদা অনী, দিসেম্বর থাগী ওইনা ঙরাং ফাওবদা গজিন্দ্র রাম অমসুং সুভাশ যাদব থারগা মীওই অহুম কাপ্তুনা হাৎখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।